# নুমিৎ ৪নিগী খোঙচৎতা নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর প্রচন্দা ইন্দিয়াদা থুংলখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী):

নুমিৎ ৪নিগী খোঙচৎতা নেপালগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর পুস্পা কমল দহাল প্রচন্দা ইন্দিয়াদা ঙসি থুংলখ্রে। মহাকপু এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চেবাউ পীখিবগী মতুংইন্না ওগষ্ট ৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবদা ঙাইরিবা প্রচন্দানা ইন্দিয়াদা লাকখিবনি। খোঙচৎ অদুদা প্রচন্দাগী লোয়নবী সিতা দহালসু লোয়নরকখি। মতৈ-মনাওনা ঙসি রাষ্ট্রপটি ভৱনদা লৈরগা হয়েং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উনদুনা ৱারী শানগদৌরি। মহাক্না প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়াগসু উনগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা প্রচন্দানা হায়খিবনি মদুদি, মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা অনৌবা কন্সটিট্যুসন শেম্নবা থৌরাং লৌখৎপা তারবসু হন্দক্কী খোঙচৎ অসি কন্সটিট্যুসন শেম্বগা মরী লৈনদে।

কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মাধেসি পার্টিগী লুচিংবশিংগা প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসতা উনদুনা ৱারী শানখিবদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াগী খোঙচৎ অসি নেপালগী কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগা মরী লৈনদে। কন্সটিট্যুসন শেমদোকপা হায়বসি লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাফমনি। হীরম অসিগী মতাংদা অতোপ্পা লৈবাক্কা ৱারী শানবগী মথৌ তাদে।

ইন্দিয়াদা চৎপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, যুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা থম্নরিবা মরী অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ ৪নিগী ওইবা খোঙচৎ অমা ইন্দিয়াদা চৎনবা থৌরাং তৌবনি।

মমাঙ চহীদা মাধেসি পার্টিশিংনা লুচিংলগা কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা মীওই ৫০ শিবা লৈখ্রবনি। মশাগী চহী ৬১ শুরবা প্রচন্দানা হায়খি, নেপালদা হৌজিক-হৌজিক মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা ফীভম অসিদগী কোকহনবগা লোয়ননা যুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা নুমিৎ ৪নিগী ওইবা খোঙচৎ অমা ইন্দিয়াদা চৎনবা থৌরাং তৌখিবনি।

হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা মরম ওইরগা হান্না লৈরম্বা থাজনদবা পুন্নমক কোকহনবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরী চেৎশিনহনবা ঙম্লগনি। হন্দক্তা নেপালগী ফোরেন মিনিষ্টর সরন মহাটনা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইন্দিয়া চৎলুবদা হান্নগী চয়েৎনবা খরমখৈ কোকহনবা ঙমখি।

যুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্নবা পান্মী হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসিনা থবক পায়বা হেক হৌবগা অখন্নবা মীহুৎশিং ইন্দিয়া অমদি চাইনাদা থাদুনা অফবা মরী শেমগৎনবা হোৎনখি।

পনবা য়াবদি, প্রচন্দানা দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি ফাইনান্স মিনিষ্টর কৃষ্ণ বহাদুর মহারাবু চাইনাদা থাখিবনি। দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর বিমলেন্দ্র নীধিবুনা ইন্দিয়াদা থারকখিবনি।

মাধেসি পার্টিশিংনা লুচিংলগা কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী মায়োক্তা প্রচন্দানা হায়খি, নাকল খুদিংমক্না য়াগদবা মওংদা অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

# বেলোচিষ্টানদা হক খোঙ্গাওনবা লেপত্রিবমখৈ ইন্দিয়ানা মতেং পাংখিগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা বেলোচিষ্টানগী ৱাফম পুখৎখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, পাকিস্তাননা বেলোচিষ্টানদা মীওৎ-মীনৈ চথবা অমসুং হক খোঙ্গাওনবা লেপত্রিবমখৈ ইন্দিয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা মতেং পাংখিগনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী স্পোক্সপার্সন বিকাস স্বরুপনা হায়খি, বেলোচিষ্টানদা চথরিবা মীওৎ-মীনৈ লেপত্রিবা ফাওবা ৱাফম অসি মখা তানা য়ু এন অমদি অতৈ মরী লৈনবা ইন্টরনেসনল ফোরমদা পুখৎকনি। য়ু এনদা বেলোচিষ্টানগী ৱাফম অহানবা ওইনা পুখৎলদুনা ইন্দিয়ানা হায়খিবনি মদুদি, পাকিস্তাননা বেলোচিষ্টান অমসুং পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)দা পাক শন্না মীওৎ-মীনৈ চথরে।

য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী ৩৩শুবা মীফমদা পাকিস্তানবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়ানা হায়খি, পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী টেররিজম শৌগৎপা মরম্না কাশ্মীরদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকপনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী টেররিজম শৌগৎতুনা লাক্লবা পাকিস্তানগী মথক্তা অতৈ অতোপ্পা লৈবাক কয়ানসু অকনবা ৱাফম থল্লকপা লৈখ্রে হায়না য়ু এনদা ইন্দিয়াগী পর্মেনেন্ট রেপ্রজেন্টেটিভ ওইরিবা অজিৎ কুমারনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, দেমোক্রেসিদা চেৎনা থাজবা থম্লিবা ইন্দিয়ানা যুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা অফবা মরী পুরক্কবা হোৎনরবসু পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী টেররিজম শৌগৎলকপা মরম্না কাশ্মীরদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকহল্লকপনি। ইস্লামাবাদনা বেলোচিষ্টান অমদি পি ও কেগী মীয়াম য়াওনা মশামক্কী সিটিজনদা ওৎ-নৈবগী থৌওং চথুরি। মদুগা লোয়ননা ঙমখৈ ৱাংমদা টেররিজম শৌগৎলকপা মরম্না কাশ্মীরদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকহল্লকখি হায়নসু অজিৎ কুমারনা য়ু এনগী মীফমদা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৮৯ দগী হৌনা পাকিস্তাননা কাশ্মীরদা লৈরিবা সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংগী মতেং পাংদুনা লাকখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মীর অসি ইন্দিয়াগী তৎনা থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা অদুমক লৈখিগনি। য়ু এননা টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখ্রবা মীওই কয়া পাকিস্তাননা চঙজফম পীরি। মরম অদুনা মমাঙ চহীদা পাকিস্তাননা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীলগী মেম্বর ওইনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদবদা থোইদোক্না ঙক্লিংঙাই ওইদে হায়না অজিৎ কুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া মনুংগী ৱাথোক্তা পাকিস্তাননা য়ু এনগী মীৎয়েং চিংশিল্লগা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনবগী থৌওং য়ানিংদে। কাশ্মীরদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি পাকিস্তাননা টেররিজম শৌগৎপদগী থোরকপনি। মালেমগী মীয়াম্না য়াদ্রবা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি লৈখিদবগী খুদোংচাবা লৌরগা পাকিস্তাননা কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়াম্বু ঈহৌ হৌহন্দুনা ৱাথোক চাউথোকহল্লকপনি।




# কাবেরিগী ৱাথোক : এপেক্স কোর্টনা টামিল নাদু অমসুং কর্নাতাকাদা ঈং-তপ্না লৈনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

কাবেরি তুরেলগী ঈশিং য়েন্নবগী মতাংদা যুন্নোন্নবা ষ্টেট অনী উংখৎনরকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি টামিল নাদু অমদি কর্নাতাকা গভর্ণমেন্টতা ঈং-তপ্না লৈনবা খঙহনখ্রে।

কোর্টনা হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না কোর্টকী ৱায়েল ঈকায় খুম্নফম থোকই। য়ানিংদবা ফনা লৈরবসু কোর্টতা লাক্তুনা ৱাকৎলগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, কর্নাতাকানা কাবেরি তুরেলগী ঈশিং থাদোকখিবগী মতাংদা খোইশাওনরবা মীওই কয়ানা খা থংবা কর্নাতাকাদা ট্রেন থিংবগী খোঙজং অমা চঙশিন্নবা হোৎনরকখ্রে। পুলিসনা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবদগী মীয়ামগী খোঙজং অদু মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রে।

হোম মিনিষ্টর জি পরমেশ্বরনা হায়খি, বেঙ্গলুরুদা হৌজিক মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লক্লে। খুদোংথিবা থোরকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা পুলিসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

অমরোমদা, কর্নাতাকাগী মীওইশিংনা টামিল মীয়ামগী মথক্তা চথুরকখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা তোঙান তোঙানবা টামিল লূপ খরনা হয়েং পুদুচেরি বন্দ কৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে।

বি জে পি পুদুচেরি য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ভী সামিনাথননা হায়খি, টামিল মীয়ামগী মায়োক্তা চথুরকখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা হয়েং কৌগদৌরিবা বন্দদা বি জে পিনা মপুং ফানা শৌগৎকনি। কর্নাতাকাদা পাল্লিবা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল থৌশাদবগা লোয়ননা টামিল নাদু অমদি পুদুচেরিদা কাবেরি তুরেলগী ঈশিং থাদোরক্তবগী থৌওংবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। কর্নাতাকাদা টামিল মীয়ামগী মায়োক্তা চথখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা তোঙান তোঙানবা টামিল ওর্গনাইজেসন ৩০ রোম্না সেপ্টেম্বর ১৬তা পুদুচেরি বন্দ কৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কনারা গ্রুপশিংনা বেঙ্গলুরুদা অকনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা টামিল নাদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর থাবা গাড়ীশিং অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা টামিলশিংনা হাংদোকপা হোটেল মৈ থাবগী থৌওং চথুরকপদগী পুলিসনা ঈহৌ নমথনবা হোৎনবদা মীওই অনী শিখি। টামিল নাদুদসু কনাদিগাশিংনা হাংদোকপা হোটেল অমদি কর্নাতাকাগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর থাবা গাড়ীশিংদা মীওই খরনা এটেক চথবগী থৌদোক থোকখি।

মরকসিদা, কর্নাতাকা রক্সানা বেদিকনা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা রেল লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা পুলিসনা মন্দিয়া রেলৱে ষ্টেসন্দা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

সিটি পুলিস, ষ্টেট রিজার্ভ পুলিস অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা মীয়ামগী খোঙজং নমথনবা হোৎনরি হায়না এদিসনেল কম্মিস্নর ওফ পুলিস চরন রেদিনা ফোঙদোকখি।

# সমাজৱাদি পার্টি মনুংদা মোত মান্নদবা লৈতে : শিবপাল





লখনৌ, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

সমাজৱাদি পার্টি, য়ু পি য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট শিবপাল য়াদবনা হায়খ্রে মদুদি, পার্টি মনুংদা মোত খেন্নবগী ৱাফম লৈতে অমসুং লাক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন্দা পার্টি অসিনা অমুক হন্না মায় পাক্লগনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক থৌরাং তৌবা লোইরে। হন্দক্কী মীখলদসু পার্টি অসিনা মায় পাক্তুনা গভর্ণমেন্ট শেম্লগনি।

পার্টিগী লূচিংবা মশেল মোত মান্নদবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়াদবনা হায়খি, পার্টি মনুংদা নাকপাক তান্নবা লৈতে। মুলায়ম সিংহ য়াদবনা পীরকপা য়াথং মতুং ইন্না থবক তৌনবা হোৎনরি। কনাগুম্বা খরনা পার্টিগী মরমদা অরানবা ৱাফম শন্দোক্তুনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে।

কুমজা ২০১৭কী মীখল মতুংদা অখিলেশ য়াদবনা অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইগদ্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, নেতাজী (মুলায়ম সিংহ)না পীরকপা য়াথং মতুং ইন্না থবক তৌগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি কনানা মথংগী চীফ মিনিষ্টর ওইগদগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মশীং য়াম্বা এম এল এনা শৌগৎপা মীওই অদুনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়বা মশানা তাবনি।

শিবপাল য়াদবকী পোর্টফোলিও লৌথোকখিবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, করি মরমগী মিনিষ্টর ফম লৌথোকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌরাং অদুদা নেতাজীগী ৱারেপ শোয়দনা য়াওরম্বা য়াই।

মিনিষ্টরগী ফম লৌথোক্লগা পার্টিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হাপ্তুনা মীখলদা মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নবা নেতাজীনা শোয়দনা ৱারেপ লৌরম্বা য়াই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সমাজৱাদি পার্টিগী লূচিংবশিংনা পার্টি মনুংদা লৈরিবা য়েৎনবা পুন্নমক কোকহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎনবা শেম-শাখ্রে। থৌরাং অদুগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা অখিলেশ য়াদবপু পার্টিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইহল্লগা মহাক্কী মখুরা শিবপাল য়াদবপুনা মহাক্না হান্না পায়রম্বা পোর্টফোলিও অদু অমুক হন্না পায়হল্লবা য়াই হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা সমাজৱাদি পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি রাম গোপাল য়াদবনা পাউমীশিংদা হায়খি, অথুবা মতমদা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা অখিলেশ য়াদবকা ৱারী শানদুনা পার্টি মনুংদা লৈরম্বা মোত মান্নদবা পুন্নমক কোকহল্লগনি। মপানগী মীওই খরনা খুদোংচাবা লৌরগা পার্টি মনুংদা মোত মান্নহন্দনবা শিনখিবা থৌরাং মায় পাকপা ঙল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিবা রাম গোপালনা হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দকী মীফম পাঙথোকপা মথৌ তাদে। মুলায়ম সিংহ য়াদবনা লৌবা ৱারেপ অদু মীপুম খূদিংমক ইনগনি।

# দিল্লিদা চিকনগুনিয়ানা নাবদগী শিখিবা মীওই ১২ শুরে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

দিল্লিদা কাঙনা শন্দোকপা চিকনগুনিয়া লায়নানা মরম ওইরগা শিখিবা মীওই ১২ শুখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা দিল্লিগী হেল্থ মিনিষ্টর সত্যন্দ্র জেননা সিটিগী হোস্পিটালশিংদা চত্তুনা ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দিল্লি (এম সী দি)গী ওফিসলশিংগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা হায়খি, কন্সট্রক্সন সাইটশিংদা তুংদুনা লৈবা ঈশিংদা কাঙ মরুম কোকপা য়াবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা এম সী দিগী ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)তা লায়কন্নরকখিবা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা চিকনগুনিয়ানা মরম ওইরগা শিখিবা মীওই ১২ শুরে। য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদানা হীরম অসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীরক্লবা দিল্লি গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, দিল্লিগী ৱাটর মিনিষ্টর কপিল মিস্রানা লেজিসলেটর অমদি কাউন্সীলরশিংদা পোলিটিকেলগী খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্লগা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসি পুন্না লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎমিন্নরসি হায়না আপিল তৌখ্রে।

লেফটনেন্ট গভর্নর নজিব জংনসু মীপুম খূদিংমক পোলিটিক্সকী খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্লগা চিকনগুনিয়া অমদি দেঙ্গি লায়না লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদানা হায়খি, কেপিটেল সিটিগী হোস্পিটালশিংদা হীদাক-লাংথক অমসুং টেষ্টিং কিটকী অৱাৎপা লৈতে। ষ্টেট খূদিংমক্তা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসিদগী মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টনা লায়না অসি লাকশিন্নবগীদমক প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াগী খুথাংদা পাউজেল কয়া ফোঙখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, দিল্লিগী হেল্থ মিনিষ্টর সত্যন্দ্র জেননা হায়খ্রে মদুদি, মীপুম খুদিংমক অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা ফার্মাসিদগী হীদাক অমা হেক্তা লৈরগা চাবগী হৈনবী থাদোক্কদবনি। কনাগুম্বনা কোক চীকপগা লোয়ননা লাইহৌ হৌরক্লবদি খুদক্তা ডোক্টর অমগা তানবা মথৌ তাই।

গভর্ণমেন্টনা চিকনগুনিয়া অমদি দেঙ্গিনচিংবা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং লাকশিন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হোস্পিটাল খুদিংমক্তা ও আর এস সোল্যুসন ৱাত্তনা থম্নবা খঙহনখ্রে। মীয়াম্নসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা য়ুমগী অকোয়বদা ঈশিং তুংদুনা লৈহন্দবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ কাঙনা চীকহন্দনবা হোৎনগদবনি। নুমিদাংগী মতমদা কাঙ্খুল খল্লগা তুমগদবনি নৎত্রগনা কাঙ তান্থোক্লবা মোসক্বিটো রিপেলেন্ট শীজিন্নগদবনি।

লায়না লায়চৎ অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবা হোৎনরিঙৈগী মনুংদা কনাগুম্বা ডোক্টর অমদি হোস্পিটালগী ষ্টাফ অমত্তনা ছুটি লৌবা য়ারোই হায়নসু হেল্থ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মলেরিয়ানা নাবগী কেস অমা থেংনরে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিদা খঙহল্লকখ্রে।


## ENGINEERS DAY CELEBRATION




We the Engineers of MTDC celebrate the Engineers Day-2016, on this day the 15th Day of Sept. 2016 to commemorate **Sir Shri M. Vishvesvaraiah, Bharat Ratna Awardee,** on commencement of his birthday. Wishing all the fellows Engineers a very Happy and a prosperous Engineers Day.

**Sd/- ENGINEERING STAFFS**
Manipur Tribal Development Corporation Ltd.

*HL-P/9796/16*

## ꯈꯣꯡꯅꯥꯡꯃꯦꯡ/ ঈশিং চৎপা ঙমদবা, ঈশিং তোয়না চৎপা, খোঙ খুৎ পোম্বা, খোঙ খুৎ শিথবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐ মতম শাংনা দাইবেটিসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঈশিং চৎথোকপা ঙমদবা, ঈশিং তোয়না চৎপা, খোঙ খুৎ পোমখৎপা, খোঙ খুৎ শিথবা, খোঙ হাম্বদা ফন্বী লোয়নবা, হকচাংগী ফিনুংদা হাক্কৎচবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা থা অমা চত্তুনা লায়েংজরুরগা হিদাক চাবদগী মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা হন্না হন্না থাগৎচরি।

**Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 12.00 noon.**
**Hatta Minuthong Bazar : 1.00 pm to 5.00 pm**

*থাগৎচরিবা :* **Polem Khomeiton Singh Ucheckon**

HL-B/3303/08/09-07/10

## ꯊꯥꯒꯠꯄ/ লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফন্বী চাং হন্থ্রক্কনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিডৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3291/3/09-2/10

## CAS Medical & Engineering

An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION IS GOING ON**
**Second Batch**
**REGULAR MEDICAL COURSE**
**for NEET -2017**

**Only 11 Seats lying vacant for 2nd Batch**
**First Come First Serve**

**Special facilities:**
- Concession for CASIANS
- Free Studentship for Medical Aspirants:
  > Toppers in COHSEM & BOSEM Exams.
  > NEET Schoring marks above -
  435 (General) ; 434 (OBC) ; 424 (OBCMP); 350 (SC) ; 350 (ST) ; 300 (PH)

**For Details Contact: CAS Office, Keishampat Junction Imphal**

HL-B/3236/2-17Sept

Hostel for BOYS & GIRLS available

## BUILD YOUR SUCCESS (BYS)

BYS

Palace Compound (Macha Leima School) # 9863284750/ 9856088990




**ADMISSION OPEN**
**CLASS X REVISION COURSE (BOSEM)** STARTING FROM OCT. 24, 2016
(MORNING & EVENING SHIFTS AVAILABLE) **Last Date: Sept 28, 2016**

HL-P/9205/16/09-15/11 (Alt.)